# ষন্থি-ষণয়ুংনা পীরিবা কান্নবশিং

**সরাংথেম জেসমারানি**

ষন্থি ষণয়ুংশিংসি থায়নদগী হৌনা পাম্না শীজিন্নরক্লি। ষন্থি ষণয়ুংশিং অসিনা হার ওইনা শীজিন্নবগী মথক্তা চাক ঈশিং থোংনবা ফাওবদা শীজিন্নরি । রিপোর্টকী মতুংইন্না ষন্থি ষণয়ুংশিংসি অহুম থোকপগী অনীদি মৈগী মহুৎ শিন্দুনা চাক ঈশিং থোঙনৈ অদুগা অহুম থোকপগী অমনা হার ওইনা শীজিন্নরি। হৌজিক্কী মতমদদি ওর্গানিক ফার্মিংলোমদা মায় ওনশিল্লবনিনা ষন্থি ষণয়ুংশিংসি চঙদ্রবা য়াদ্রবা অমা ওইরি। মসিদসু নত্তনা ওর্গানিক ওইনা শা-ষণ লোইবসিসু য়াম্না মরু ওইরবা অমা ওইরি। শা-ষণশিংসি ওর্গানিক ওইনা লোয়বা তারগদি মখোয়দা পীজগদৌরিবা শজিক অমদি মফোনগী শরুক খুদিংমক ওর্গানিক ওইবা তাবনি। মসি পুথোক্লবা হোৎনবদা ওর্গানিক্কী হার অমদি ওর্গানিক পেষ্টিসাইদ শীজিন্নবা তাবনি। পোৎ চৈ থাবা মতমদা নাইট্রোজেন, ফোসফরস অমদি পোটাসিয়মগী চাং অমদা থন্বা হায়বসি অরায়বা থবক্তি নত্তে। মরমসিনা শা-ষণগী অরেম অপা ময়ামশিং অসি শীজিন্নদুনা পত্থহন্দুনা নৎত্রগা তিন্থ্রোক য়োক্তুনা অফবা মখলগী হার পুথোক্তুনা হায়রিবা এন পি কেগী চাংসি মান্ননা থন্বা য়াই।

মালেমগী ওইনা ইন্দিয়ানা ষণ অমদি ইরোইগী মশীং খ্বাইদগী য়াম্মী। মখোয়না চহীদা পুথোরক্লিবা ষন্থিসি ১০৩২ এম এম টিনি। মসিনা হার ওইনা অমদি মৈ ওইনা শীজিন্নে। অচৌবা ষণবী অমনা নোংমদা ষন্থি কেজি ৩০-৪০ ফাওবা পুথোক্লি।

টেবল ১ - চাংচত্তা নোংমদা পুথোকপা শা-ষণশিংগী মথি-ময়ুংশিং :

| শা মখল | রেঞ্জ | মথিগী চাং (কেজি) চাংচৎ |
| --- | --- | --- |
| শগোল | ৯-২৮ | ১৩.৫০ |
| ষণ | ১৮-৩০ | ২৪ |
| ইরোই | ২৫-৪০ | ৩২.৫০ |
| হামেং অমদি য়াও | ২-১৫ | ১.২৫ |
| ওক | ৩-৫ | ৪.০০ |
| য়েন (২০০) | ২.৫-৩.৫ | ৩.০ |

শা-ষণগীসু গ্রীন হাওস গ্রাস হায়বদি মীথেন, কার্বোনদাইওক্সাইদ, নাইট্রেট অসি পুথোরক্লি। কুমজা ২০০৪দা ইন্দিয়াদা মীথেন পুথোকপগীচাংসি ২৯৬ এম টিনি। মসিগী মনুংদা চাদা ৬৪না শা-ষণদগীনি। চাদা ৩০না ফৌদগী অমদি চাদা ৩না মথি-ময়ুংদগীনি। কুমজা ২০০৪দা গ্রীন হাওস গ্যাস পুথোকপগী চাংসি ১২২৪ এম টিনি। মসিদা কর্বোনদাইওক্সাইদনা চাদা ৬৪নি। মসিনা খ্বাইদগী য়াম্না পুথোকই। মসিগী মনুংদা মীথেন চাদা ৩১ অমদি নাইত্রস ওক্সাইদনা চাদা ৪নি। কুমজা ২০০৪দা শা-ষণগী হকচাং মনুংদগী থোরক্লিবা মীথেনগী চাংসি ২৮৮ এম টিনি। মসিগী মনুংদা চাদা ৪০না ষণনা, ইরোইনা ১৮, য়াওনা ১১, হামেংনা ২৫ অমদি ওক্না ৩নি। মমাঙঙৈদদি ষন্থি-ষণয়ুং অমদি শা-ষণগী অরেম অপাশিংগী পোৎ চৈ থারিবা জগাদুদা লৈবাক লৈহাও ফনবা দাইরেক্ট হাপ্পীরম্মী। অদুবু অনৌবা মওংদা হায়রিবা ষন্থি-ষণয়ুংশিংসিনা বাইও ফর্টিলাইজর, ভর্মি কম্পোষ্ট কয়া অমা পুথোকপসু য়াই।

ইচম চম্না শা-ষণগী অরেম অপাশিংদগী কম্পোষ্ট শেল্লগদি থা ৬ মুক চঙই। মসিদা তিন্থ্রোক হাপ্লগা শেল্লগদি নুমিৎ ৬০-৭৫ ফাওবা হন্থহনবা য়াই। মসিদা ত্রেঞ্চ শেল্লগা তিন্থ্রোকা কেজি ১দা ষন্থি ক্যুন্টল ১০ হাপ্লগা শেন্বা য়াই। তিন্থ্রোক্তগী শেন্বা হারনা ফাময়ার্দ মেন্যুরদগী এন পি কে য়াওবগী চাং শরুক ৩-৪ ফাওবা হেল্লি। তিন্থ্রোক্কী হারদা এজোল্লা অমদি নাইট্রোজেন ফোসফরস ফাবা ঙন্বা বেক্টেরিয়া হাপ্তুনা বাইও ফর্টিলাইজর শেন্বসু য়াই। ষন্থি-ষণয়ুং শীজিন্নদুনা ফাময়ার্দ মেন্যুওর পুথোক্লিবসিদা নাইট্রোজেন, ফোসফরস অমদি পোটাসিয়মগী চাংসি ০-৫%, ০.৬%, ০.০২০%নি। অদুগা তিন্থ্রোক য়াওরগা শেন্বা হারদদি ১.৫%, ২%, ১%নি। ঐখোয়না ষন্থি ষণয়ুংশিংসি নিংথিনা শীজিন্নরগদি ক্বালিটি লৈবা হার শেন্বা ঙমগনি। ষন্থিনা পীরিবসি মখল কয়াগী মাইক্রো ন্যুট্রেন্ট ময়াম অমা য়াওবগী মথক্তা হ্যুমস, হ্যুমিক এসিদ, অলমিক এসিদ চাং ৱাংনা য়াওহন্দুনা লৈবাক লৈহাও ফনা লৈহনবা ঙম্মী।

টেবল ২ : হার মখলদা য়াওবা এন পি কেগী চাংশিং-

| হার মখল | এন (নাইট্রোজেন) | পি (পোটাসিয়ম) | কে (পোটাসিয়ম) |
| --- | --- | --- | --- |
| এফ ৱাই এম | ০.৫ | ০.৫ | ০.২৫ |
| তিন্থ্রোক্কী হার | ১.৫ | ২.০ | ১.০ |
| বাইও ফর্টিলাইজর | ৩.০ | ১.০ | ১.০ |

ষন্থিগী কান্নবশিং - ষন্থিদা এন্টিসেপটিক্কী মচল য়াওবনা শঙ্গোন্দা ষন্থিগা থিৎলগা চাইথোকপনা লায়না থোকহনবা য়াবা তীলশিং হাৎপা ঙমহল্লি।

- উনশাদা মরীক মরীক চোংথোরকপা নৎত্রগা অপোন্বা লৈরগদি নীমগী মনাসি ফজনা শুগাইবীরগা ষন্থিগা তোৎনরগা উনশাদা তৈবীরগদি য়াম্না থুনা হঞ্জিনহল্লি।
- ষন্থি অকংবা মৈ থাবীরগদি কাং ইনবা ফৈ।
- ষন্থি মৈ থাখ্রবা মতুং উৎশিংদুসু অমুক কোল-লিক ফেংবা য়াই।
- তীল কাং হাৎনবগীদমক্তা শেন্বা পোৎলমশিংদা ষন্থি মচল অমা ওইনা হাপ্পী।
- ষন্থিদা মীনরেল মখল ১৬ য়াওই। মসিনা লৈবাক লৈহাও হেন্না ফগৎহল্লি।
- ষন্থিদা মখল ১৬কী মাইক্রো ওর্গানিজম য়াওই। মসিনা ফত্তবা বেক্টেরি কয়া হাৎতোকপা ঙমহনবতা নত্তনা লৈবাক লৈহাও ফনা থন্বা ঙম্মী।
- পোৎ থাদ্রিঙৈদা লৈবাক্তা ষন্থিনা য়োমদুনা থল্লগদি শাথীবা লায়না থোকহনবা পেষ্টতগী কনবা ঙম্মী।

ষণয়ুংগী কান্নবশিং - ষণয়ুংশিংসি হীদাক শেন্বদসু শীজিন্নরম্মী। ষণয়ুংদা য়াওরিবা মীনরেল মখলশিংসিনা মীওইবদা শা-ঙাশিং অমদি পান্বীশিংদা কান্নবা কয়া পীরি। নোংমদা ষণ অমনা লিটর ৬-১৫ ফাওবগী ষণয়ুং পুথোকই। করিগুম্বা তীল কাংনা চিকপা তারগসু ষণয়ুং তৈবীরগদি নাবগী চাং হন্থে। মসিদা ষণয়ুং লিটর ১৫ অমদি নীম মনা কেজি ১ লৌবীরগা নুংশিৎ চংহন্দনা পাত্রা অমদা নুমিৎ ১৫নি থন্বীগনি। মসিগী মতুংদা চনম গ্রাম ১৫ হাপ্পীরগা তঞ্জায় ফাওবা হন্থনবা মৈদা লোন্থোকপীগনি। হায়রিবা মহীসিগী লিটর ১দা ঈশিং লিটর ১০০ হাপ্পীরগা মহী লাংহল্লগা তুংদা তীল কাং হাৎনবা হীদাক ওইনা শীজিন্নবা য়াই।

অফবা মহৈ মরোং, হকচাংদা কান্নবা কয়া অসি পুথোক্লবা হোৎনবদা ষন্থি-ষণয়ুংশিংসি য়াম্না মরু ওই। মরম অসিনা ষণ লোয়বীদুনা ষন্থি ষণয়ুংগী কান্নবা কয়া অসি লৌদুনা ওর্গানিক ফার্মিং লোমদা মায় ওনশিনবদা দরকার য়াম্না লৈ। ●

# কালেন খোইবা অমসুং মসিগী কান্নবশিং

**ডো. ৱাইখোম জিতেন**

লৌ খোইবা হায়বসি লৌউ-শিংউবগী শিনফম্না হৌদোরকপগা অদুম শাগোন্ননা লাক্লবা থাদোক্লবা য়াদ্রবা থৌরম অমনি। য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমগী মীশিংনা মরূ থাগদৌরিবা মফম অদুগী লৈবাক অদু করিগুম্বা পান্বে অমা শীজিন্নদুনা হোমহল্লি অমদি মরূশিং অদু থারম্মী। ঐখোয়না থাগদৌরিবা পান্বীশিং অসিনা লৈবাক্কী য়াম্না কূপ্পা লৈরিকশিং চূপশিল্লগা পান্বীশিং অসি হিংলিবনি অমদি চাওখৎলক্লিবনি হায়না খন্দুনা পোৎ থাগদৌরিবা মফম অদুগী লৈবাকশিং অদু য়াম্না কূপ্না খোইবা তঙাইফদে হায়না খন্নরম্মী। অসুম্না লৌ খোইবা হায়বসি তৌদ্রবা য়াদ্রবা থবক অমা ওইদুনা লাক্লি।

করিগুম্বা মহৈ মরোং অমা থাখ্রবা মতুংদা লৌফম অদুগী লৈবাকশিং অদু নোংগী নোংলিক্লা ফুজিন্দুনা, ঈশিং চনবগী অমুক চোৎহন অমুক কংহন তৌবদগী লৈবাকশিং ফমজিন্দুনা, থবক শূবা মীওইশিংনা চৎথোক চৎশিন তৌবদা অমদি তোঙান তোঙানবা লৌ উবগা মরী লৈনবা খূৎশু খূৎলায়শিংনা চৎথোক চৎশিন তৌবনা মরম ওইদুনা লৈবাকশিং য়ৈশিল্লি। অসুম্না য়ৈশিনখ্রবা লৈবাক অদুদা মরূশিংনা লৈবাক মনুংদা লায়না চঙবা ঙম্নবা, মরূশিং অদুনা দরকার লৈবা ঈনিল অমদি নুংশিৎ ফংবা ঙম্নবগীদমক লৈবাক অদুবু হোমহন্নবগীদমক লৌ খোইবা হায়বসি তৌদবা য়াদবা থবক অমা ওইরি।

লৌ খোইরিবগী মরু ওইবা পান্দম :- (১) ওনগদৌরিবা মরূশিং অদু লায়না লৈবাক মনুংদা চঙবা ঙম্নবনি।

(২) মমাঙদা হৌরম্বা নাপীশিংনা নৌনা থাগদৌরিবা পান্বীশিংদা অয়েৎ অপন পীদনবনি।

(৩) লৈমায় অদু হোম হোম লাওহন্দুনা নোংগী ঈশিংশিং মফম অদুমক্তদা চুপশিনহন্দুনা লৈহাও অমদি ঈশিং য়োক্তুনা থম্নবনি।

(৪) লৈমায় অদু হোম হোম লাওহনবসিনা নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না চঙহনবা ঙম্বগা লোয়ননা পান্বীগী মরূ, মরানা নীংতম্না চৎহনবা অমদি লুনা চঙহনবা ঙমহল্লি।

(৫) লৌ খোইবদা লৈবাক মথক মখা ওলহন্দুনা লৈনুংদা লৈবা তীল মরূম, তীল মচা, নাপি মরূনচিংবা লৈমায়গী মথক থংবা শরুক্তা পুরক্তুনা নুংশাদা য়ৈহন্দুনা শিহল্লি।

(৬) মমাঙদা থাখিবা পান্বীশিংদা শীজিন্নখিবা তীলহাৎ হীদাক, নাপি হীদাক অমদি লৌফমদুদা হৌরম্বা পান্বীশিংগী মরানা থাদোরকপা অতোপ্পা পান্বীশিংদা অমাঙ অতা থোকহনবা ঙম্বা হীদাক মখলশিং (allelopathic chemicals) শিংবু নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না চঙহন্দুনা ফৎত্রবা হীদাক লাংথকশিং অদুবু কায়থহনবদা চাউনা মতেং পাংই।

লৌ খোইবগী তোঙান তোঙানবা মওংশিংগী মনুংদা কালেন খোইবা হায়বসিসু ফৌ থানবগীদমক কুমগী নোং লাকত্রিঙৈগী মমাঙদা তৌহৌদবা য়াদ্রবা থবক অমা ওইদুনা লাক্লি। কালেন খোইবদা শীজিন্নবা য়াবা খ্বাইদগী ফবা খূৎলায় অসি mould boand plough হায়বা লৈবাক লৈচঙ লৈনা খোইবা ঙম্বগা লোয়ননা লৈবাক মথক মখা ওনবা ঙম্বা খূৎলায় অসিনি। কালেন খোইবিবা মতমদা লৈবাক্কী লৈচং অসি য়ারিবমখৈ সেন্টিমিটর ২৫-৩০ হায়বদি ইঞ্চি ১০-১২ লুনা খোইবিনবা হোৎনগদবনি।

কালেন খোইবগী কান্নবশিং :- (১) ঐখোয়না থাগদৌরিবা পান্বীশিং অদুগী দরকারগী মতুংইন্না মথক থংবা লৈরোল অদু হোম হোম লাওহন্নবা তোঙান তোঙানবা খূৎশু-খূৎলায় কয়া অমা হঞ্জিন হঞ্জিন চৎখিবনা মরম ওইদুনা লাংগোলগী লৈচঙগী হেক মখা থংবা শরুক্তা অকনবা লৈরোল অমা শেমগৎলকই। অসিগুম্বা লৈরোল অদুবু কালেনগী মতমদা লৈচং লৈনা খোইহৌদুনা থুগাইরবদি নোংগী ঈশিং লৌফম অদুনা নিংথিনা চুপশিনবা অমদি পান্বীগী মরানা য়াম্না লুনা চঙদুনা পান্বীগী শাহৌ ফহনবদা মতেং পাংই।

(২) কালেনগী মতমদা লৌফম অদু খোইদোকহৌরবদি লৈতুমশিং অদু নুংশাগী মৈশানা অমুক য়ৈ, অমুক ঈংথ তৌবগা লোয়ননা নোং চিফেৎ চিফেৎ তাবদগী লৈতুমশিং কেমলকই অমদি ৱোং-ৱোং কায়রক্তুনা লৈবাক লৈরিকশিং মওং মরীল তানা থন্বদা মতেং পাংই।

(৩) মমাঙদা হৌরম্বা পান্বীশিংগী লেমহৌখাক (চরুখোক্লচিংবা) অমদি নাপীশিং লৈনুংদা ফুমজিনখিদুনা য়াম্না য়াঙনা পত্থ-পুমথহল্লি। অসুম্না পত্থবা অসিনা মতুং তাবদা থাগদৌরিবা পান্বীশিংদা মচিঞ্জাক মরাং কায়না ফংহনবদা মতেং পাংবগা লোয়ননা লৌফম অদুদা লৈরিবা ঐখোয়দা কান্নবা পীবা ঙম্বা হিংকুপ (মাইক্রো ওর্গানিজম) শিংগী মচিঞ্জাক মরাং কায়না ফংহন্দুনা মখোয় মশীং হেনগৎহল্লি অমদি লৌফম অদু মশা মউ ফবা লৌফম ওইহল্লি।

(৪) লৈবাক মনুংদা লোৎতুনা লৈরম্বা তীল কাঙ, মহীক মতাইশিংবু লৈমায়দা পু-খৎলক্তুনা নুংশাগী মৈশাদা য়ৈহন্দুনা হাৎতোকখিদুনা মতুং তাবদা থাগদৌরিবা পান্বীশিংদা তীলনা-লায়না তাবগী চাং হন্থহল্লি।

নিংথিনা খোয়রবা লৌফম হায়বসি করিনো? :- নিংথিনা খোয়রবা লৈবাক/লৌফমদা লৈগদবা লৈবাক লৈরিকশিংগী মরক্তা নুংশিৎ-নুংশা মরাং কায়না চঙনবা অহাঙবা মফম মরাং কায়না য়াওদুনা লৈমায়দা লৈবা ঈশিংশিং লৈনুংগী ঈশিংগী ঈমায় তান্না লায়না চঙবা ঙম্বা ওইগদবনি। লৌফম অমা নিংথিনা খোয়রে হায়বসি লৈবাক লৈরিকশিংগী কূপ্পগী চাং অমদি লৈরিকশিং অদুগী ফ্রোং-ফ্রোং লাওবগী চাংনা লেপকনি। করিগুম্বা লৌফম অদু ঈশিং চনবগী খুদোংচাবা লৈতবা মফম ওইরবদি লৈবাক লৈরিকশিং অদু অয়াম্বনা মিলি মিটর ১-২দগী হেন্না চাওহনবীরোইদবনি অদুগা ঈশিং চনবগী খুদোংচাবা লৈবা মফম ওইরবদি লৈবাক লৈরিকশিং মিলি মিটর ৫ অমসুং মসিদগী খরা হেনবা ফাওবগী মনুংদা লৈবা লৈবাক লৈরিকশিং ওইহনবীগদবনি।

লৌ খোইবগী চপ চাবা মতম :- লৌ খোইবগী চপ চাবা মতম অসি লৌফম অদুগী লৈবাক্তা য়াওরিবা ঈনিলগী চাংগা মরী য়াম্না লৈনৈ। লৈবাক অদু য়াম্না কঙমল্লবদি লৌ খোইবদা মতম হেন্না/পাঙ্গল হেন্না চঙবগা লোয়ননা লৈবাক লৈতুম য়াম্না চাওগনি। অমরোমদা অমুক কা হেন্না ঈনিল ৱাংমল্লবসু লৈবাক লৈরিক্কী মওংশিং কায়দুনা লৈবাকশিং অদুনা কঙলক্লবা মতমদা কা হেন্না কনবা অমদি লৈমায়দগী য়াম্না থেনবা মফমদা অকনবা লৈবাক্কী লৈরোল অমা শেমদুনা লৈমায়দা লৈবা ঈশিংশিং লৈনুংদা চুপথহনখিবা ঙমদদুনা পান্বীগী মরাশিং ঈশিং হেনবদগী শিলহনবা অমদি পান্বীগী মরাশিং লুনা চৎপা ঙমদদুনা মচিঞ্জাক মরাং কায়না ফংবা ঙমহন্দে। লৈবাক লৈতুম অমবু ঈশিংদা তিংদুনা/হৈজিন্দুনা মপূং ফানা চোৎহল্লবা মতুংদা লৌখৎলগা পোলাংগুম্বা অমদা থন্বা মতমদা মচুম তপ তপ তাবা থেংনগনি। অসুম্না মচুম তারম্বদগী মচুম খকখিবা মতম অসিবু লৌফম অদুগী চপ চাবা ঈশিংগী চাং কৌই। অসিগুম্বা মতমদা লৌফম অদুদা লৈগদবা ঈনিলগী চাং অদুদগী চাদা ২৫-৫০ ফাওবগী চাংগী ঈনিল ময়েং তারকপা মতম অসি লৌ খোইবগী চপ চাবা মতমনি। অমরোমদা করিগুম্বা লৌফম অদু য়োৎপাক অমনা তৌদুনা য়েংবদা য়োৎপাক অদুনা ইরায় লায়না লৈবাক্তা চঙলবা অদুগা য়োৎতা ঈশিং তৈরক্তবগা লোয়ননা লৈবাক মচেৎ অমা খুবি অমদি খুদোম্বীনা নোয়বদা লায়না ৱোং ৱোং কায়রবদি খোইবা য়ারে।

অসুম তৌনা লৌ খোইবগী মওং চুম্না অমদি মতম চুম্না খোইবীদুনা লিশাং শিৎনা লৌউবা য়াবা মফম অমা ওইহনবগা লোয়ননা পোৎথোক চাথোক হেন্না পুথোক্লবা পূম্নমক্লা হোৎনমিন্নরসি। ●

# মালেম রেভল্যুসনগী লময়ানবা ভি আই লেনিন -১

**- সোতিনকুমার -**

কুমজা ১৮৬৯গী এপ্রিল ২২দা রসিয়াগী সিমবর্ক (হৌজিক্লা লিয়ানোভস্ক হায়না খঙনৈ) ভ্লেদিমির ইলিচ উলিয়ানোভ (লেনিন) পোকখি অমসুং জারগী সিভিল সর্ভিস ওফিসর নিকোলাভিচ উলিয়ানোভকী মচানুপানি। নিকোলাভিস উলিয়ানোভ নিংথৌরেল অমগী মখাদা থবক তৌরবসু অরিবা চৎন-পথাপ শিন্দোক্তুনা অনৌবা অমা চৎনহনবা পামজবা অমনি। রসিয়াদা দেমোক্রেসি লৈহন্নবা অমসুং মহৈ তম্ফম কয়া হাংদুনা চাওখৎপা পুরক্লবা খূৎমাবা অমা ওইবনা মহাক্কী মচাশিংসু রেভল্যুসনগী ৱাখল্লোন ফাওই। মী অমখক্লা শুপ্পা লৈঙাক শাসননা মীয়াম্বু অৱাংবা থাক্তা পু-খৎপা ঙল্লোই হায়বসি নিকোলাভিচ অমসুং মহাক্কী লোয়নবী মেরিয়া অলেকজেন্দ্রোভনা অনীগী অচেৎপা থাজবনি অমসুং নুংশিনা তিন্নবশিংদা দেমোক্রেসিগী অকূপ্পা ৱারোল শন্দোকই লোয়ননা থেংনবগী তঙাইফদবসু কায়হৌই।

লেনিনগী শাগৈ (মপা-মপু) রসিয়ন, কালমীগ, জুইস, জর্মন অমসুং স্বিদিশশিংদগী হৌরকপনি। ঙল্লিঙৈদা ওর্থোদোক্স খৃষ্টিয়নদা লাইমিং লৌদুনা মহৈ তম্লক্লবসু মশাগী চহী ১৬ শুরকপদা অপোকপা কায়নখিবগী অৱা-মৈশা লাংলিঙৈদা মহাক্কী ময়াম্বা অলেকজেন্দর উলিয়ানোভ রেভল্যুসনগী মীংদা জার হাৎনবা বোম লংশিল্লুবদগী কুমজা ১৮৮৭তা ফাঁসি তৌদুনা হাৎখি অমসুং ময়াম্বগী মতুং ইল্লুবা মহাক্কী মচে অন্না উলিয়ানোভা থাপ্লবা কারজান মনাক্কী কোকুচকিনাদা লোই থাখি। মহাক্কী ময়াম্বা অলেকজেন্দরবু ফাঁসি তৌদুনা হাৎখিবদু লেনিননা অনৌবা পুন্সি অমদা খোঙ থাংবা হৌরকখি। জারগী মীওৎ মীনৈদগী রসিয়াগী মীয়াম্বু করম্না কনগদগে অমসুং করম্বা মওংদা মীয়ামগী শক্তি শাগৎতুনা ময়াম্বগা রেভল্যুস্নরিগী টেক্টিসকা মান্নদবা লম্বী অমা থিবা হৌরকখি লোয়ননা মার্ক্সিজম নৈনদুনা নৌরিঙৈ পুন্সিদা **“ৱী ৱীল ফোল্লো এ ডিফরেন্ট পাথ”** (ঐখোয় অতোপ্পা লম্বী অমদা চৎকনি) হায়বা পন্থুং অমগী য়ূম্ফম শাগৎলকখি হায়বদি প্রোলেটেরিয়েট অমসুং ৱার্কিং ক্লাসতা লৈরিবা মীয়াম্বু রেভল্যুসন অমগী নুংগী ওইবা পরিং অদুগী লৌশিং ফংহন্নবা হোৎনরবা মতুংদা চঙশিনগদবা খোঙথাং নৈহৎ-তুহৎপীরবা অমদি মীওৎ-মীনৈ খাংবা ঙম্নরক্তবা মীয়াম্না রেভল্যুসন অমগী তঙাইফদবসু খঙবা ঙল্লক্লবা অমদি মীয়ামগী অপূনবা শক্তি শাগৎপা ঙল্লক্লবা মতুংদদি ফংনবা তাল্লিবা অচেৎপা ৱাখল মীৎয়েং অদুগী পন্থুংসু য়ৌবা ঙমগনি হায়বসি নহা ওইরিবা লেনিনগী ৱাখলদা ফাওখি।

মার্ক্সিজমগী ৱাখল মীৎয়েং চুশিল্লবা লেনিন মহৈরোয় ওইরিঙৈদা মহৈরোয়শিংগী ওইবা ঈহৌ শাগৎলুবগী স্কুলদগী তান্থোকখি অমসুং জারগী পুলিসনা ফাজিনবগী থৌদোকসু য়ামখি। কাজান ষ্টেট য়ুনিভর্সিটিদগী তান্থোক্লবা মতুংদা সেন্ট পিটর্সবর্গ য়ুনিভর্সিটিদা মখা তমথদুনা লো কোর্স লোইশিনখি (১৮৯১)। লাতিন, গ্রীস, জর্মন, ফ্রেন্স অমসুং ইংলিস লোনসু চঙখোন্না তমদুনা জর্মন লোন্দা ইবা কম্যুনিষ্ট মেনিফেষ্টো রসিয়ন লোন্দা হন্দোক্তুনা ফোঙখি। কুমজা ১৮৯৩দা উকিল অমা ওইবগী শিনফম থাদোক্তুনা রেভল্যুস্নরি প্রোপেগন্দা কয়া ইদুনা মার্ক্সিজম শন্দোক্লা খঙহন্নবা হোৎনরকই অমসুং কুমজা ১৮৯৫ লোইরকপদদি মহাক মার্ক্সিজম মচা খায়না খঙবা ঙমখি। মহাক্লা মার্ক্সিজমগা মরী লৈনবা চেজাই কয়া মীয়ামদা য়ৌহল্লকপদগী জারনা থা ১৪ রোম ফাজিন্দুনা থমখি অমসুং সাইবেরিয়াগী শুসেন্সকোয়েদা লোই ওইনা থাখি। কুমজা ১৮৯৮দা সোসিয়েলিষ্ট এক্টিভিষ্ট অমা ওইরিবী নাদেজদা ক্রুপস্কায়াগা লুহোংলুবদগী মহাক্কী পুন্সি লম্বীগী অচুম্বা পন্থুং ফংনবা মঙাল ফংখি অমসুং জারগী লৈঙাক্লোন শিংনবা ‘দি দিভেলপমেন্ট ওফ কেপিটেলিজম ইন রসিয়া’ হায়বা মহাক্কী অহানবা লাইরিক ফোঙখি।

রেভল্যুসন মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা রেভল্যুসন অদুগী পান্দম মীয়াম্বু খঙহন্নবা হোৎনবদা প্রোপেগন্দাগী চেজায় মীয়ামদা য়ৌহন্নবা নৎত্রগা চেফোঙ অমগী খূত্থাংদা মীয়াম খঙহন্নবা হোৎনবসি য়াম্না মরু ওই। মসিবু সাইকোলোজিকেল প্রোপেগন্দা হায়না খঙনৈ অমসুং রেভল্যুস্নরি ওর্গনাইজেসন অমগী থানবা য়াদ্রবা খূৎলায় মখল অমনি। মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা রেভল্যুসন অদু করিগুম্বদসু মায় পাক্লোই অমসুং মীয়াম্বু রেভল্যুসনগী অচুম্বা লৌশিং ফংহন্নবা মীদিয়াগা শম্নবা নৎত্রগা মশাগী ওইবা চেফোঙ নৎত্রগা জর্নেল অমগীখূত্থাংদা মীয়াম্বু ৱাখল তাহন্নবগী তঙাইফদবদু খঙলকপদগী লোই ওইনা লৈরিঙৈদা লেনিননা মহাক্লা ৱাখল্লোন মান্নবা জুলিয়স মার্টোভ (কায়নথংদা লেনিনগা লাপথোক্লখি) কা পূন্না ইস্ক্রা হায়বা চেফোঙ অমা পুথোক্লম্মী। চেফোঙ অসিদা ইখিবা লেনিনগী আর্টিকলশিং অদু মমল য়াল্লবা ঙাক্তনি। মহাক্কী মমিং শীজিন্নবা য়াদবদগী তোঙান তোঙানবা অশাবা মীংদা আর্টিকল ইদুনা শিন্মী অমদি প্রোলেটেরিয়েটশিংবু রেভল্যুসন অমগী তঙাইফদবা ৱারোল ইদুনা অওনবা লম্বী অমদা পুশিন্নবা হোৎনৈ। মমৈদদি মীয়াম্না পাম্নখিবা আর্টিকল অমদগী মহাক্কী মমিং ভ্লেদিমির ইলিচ লেনিন (ভি আই লেনিন) হায়না খঙনরকখি।

ভি আই লেনিন আর এস দি এল পি (রসিয়ান সোসল দেমোক্রেটিক লেবর পার্টি) গী মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা পার্টি অসিবু খূৎকন পাঙ্গল্লবা অমা ওইহন্নবা হোৎনরকপদা মহাকপু য়াদবা কাঙবু খরসু থেংনখি। পার্টি অমদা ৱাখল মীৎয়েং মান্নবা ঙমদ্রবদি মীয়াম্না থাজবা থল্লরোই মুন্না খঙলবা লেনিন পার্টি অসিগী চৎন-কাঙলোন চেৎশিন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা দেমোক্রেটিক সেন্ট্রেলিজমগী মীৎয়েং মখাদা মশীং য়াম্বা অমসুং য়ামদবা হায়বা চাংয়েং তৌদুনা য়েংনবদা মহাকপু শৌগৎপশিংনা মশীং য়াম্মী অমসুং বোলসেভিক (রসিয়ন লোন্দা হেন্না চাউবা) হায়বা অমা আর এস দি এল পিদগী তোঙান্না শেমখি। বোলসেভিক্তা লেনিনবু মীয়াম্না খঙনবা হেল্লকখিবসি মহাক্কী ‘হ্বাট ইজ টু বি দন’ হায়বা লাইরিক অদুগী মচং ওইবা ৱারোল খরা চেজ য় ওইনা মেম্বরশিং অমসুং মীয়ামদা য়েন্থোক্লবা মতুংদগীনি।

রেভল্যুসন অমা মায় পাক্লবা লম্বী থিরকপদা ইম্পরিয়েলিজমগী মীওৎ মীনৈ, মীবু শুমদুনা শীজিন্নবা অমদি লোয় লৈবাক (কোলোনিয়েল) নৎত্রগা গনতন্ত্রগী খুদোংচাবা ফংবা ঙমদ্রবা লৈবাক অমগী রেভল্যুসন অমগী লম্বীদু নোংচুপ নৎত্রগা নোংপোক লৈবাকশিংদা হৌখিবা অদুগী মতৌ তমগদবা নত্তে। মসিদি ৱাখল চেৎলবা অরুবা লম্বী অমদা খোঙ থাংজিনবা হৌরবা মরম্না প্রোলেটেরিয়েট অমসুং ৱার্কিং ক্লাসনা মরু ওইনা থৌদাং মায়পুনবগা লোয়ননা ৱর্ল্ড রেভল্যুস্নরি প্রোসেস অদুদা চুম্না পাঙথোক্লবা হোৎনগদবনি।

মার্ক্সিজমবু মতমগা চুনরবা সাইন্টিফিক ওইবা মীৎয়েংদা পুশিন্নবা ভি আই লেনিন্না কেপিটেলিজমগী মহুম শাগৎলিবা য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা কোয়না চৎতুনা মহাক্লা পামজনা মার্ক্সিজম খুমাঙ চাওশিন্নবা হোৎনরক্লিবা অদুগী অচুম্বা লম্বী থিবসু লেপ্তে। মহাকপু আর এস দি এল পিগী প্রসিদেন্ট ওইনা খনখিবা মতুংদা জারগী ওথোরিটিনা মহাকপু শেন্নবসু হেল্লকখি (১৯০৬)। জারগী মায়োক্তা শাগৎলিবা লেনিনগী থৌরাংশিং ওথোরিটিনা খঙলকপদগী মহাক রসিয়াদা লৈবা য়াদবদগী ফিনলেন্দদা (১৯০৭) মতম খরা শৈদাংখি। ফিনলেন্দগী মথং মথং ওইনা য়ুরোপকী লৈবাকশিং কোয়দুনা মহাক্লা মমাঙদা থেংনখিবা লৈবাকশিং অদুগী সমাজগী ফীভম অমুক হন্না নৈনবগী খুদোংচাবা লৌখি অমসুং সোসিয়েলিষ্ট অমদি কম্যুনিষ্ট পার্টিগী কনফরেন্স কয়া শরুক য়াদুনা পোল্লকপদগী মীনাই নাইথাং মপোক্তা পোল্লুবদগী অৱা অনং অমদি মীওৎ মীনৈ নংলিবনি খঞ্জরিবা মশীং য়াল্লবা শিন্মী মীয়াম্বু মখোয়না ফংলিবা পুন্সিগী দষাদু পোল্লকপদগী নত্তে , শাসনগী অশোয়বনি অমসুং কেপিটেলিষ্ট ইকনোমিনা থোকহনবনি হায়বদু মচা খায়না খঙহন্দুনা অনৌবা রেভল্যুসন অমগীমক মমিৎ পাংহল্লি, ইথিল পী। লোয়ননা হোংবা হায়বসি মখোয়গী অমত্তা ঙাইরবা মথৌদাংনি হায়বদুসু খঙহল্লি । কেপিটেলিজমগী চৎন-পথাপ্না মীগা মীগগী মরক্তা লায়রবা, ইনাক খুনবা খায়বনি, খেন্নবা লৈহল্লিবনি হায়বা মার্ক্সিজমগী নুংগী ওইবা ৱাফম্বু শন্দোক্লা খঙহল্লি।

তশেংনমক ১৯শুবা চহীচা হৌরকপসিদা কার্ল মার্ক্স অমসুং ফ্রেদরিক এঙ্গেলস শিখ্রবসু শক্লাইরবা কোকলেন অনীসিগী ৱাখল মীৎয়েং লেনিননা মপূং ফাহন্দুনা মীয়ামদা খঙহল্লি। কার্ল মার্ক্সকী ইকনোমিক থিওরি ‘সর্প্লস ভেল্যু’ শিংনরক্লিবা কেপিটেলিষ্ট ইকনোমিষ্টশিংবু য়ৈথত্তুনা অহেনবা শেন্দোং মপু ওইনবা হোৎনরিবশিংনা শূ নোমদুনা হিংলিবশিংগী হুমাংমল মৎপী অমসুং মশীং য়াল্লবা মীয়ামগী ঈ চূপ্পী লোয়ননা সমাজগী হন্থবা থাক অমদা থম্নবা লেপ্তুনা হোৎনৈ হায়বদু মতম মতমগী ওইবা আর্টিকল ওইনা ফোঙই। মহাক্লা এন্টি মার্ক্সিষ্ট থিওরিটিসিয়নশিংবু কার্ল মার্ক্সকী নুংগী ওইবা মীৎয়েং অদু চিঠি ওইনা ইদুনা চুমথোকপী। মহাক্কী ‘ইম্পরিয়েলিজম ইজ দি হায়েষ্ট ষ্টেজ ওফ কেপিটেলিজম (১৯২০)’ হায়বা লাইরিক অদুগী মচং ওইবা ৱারোল আর্টিকল ওইনা ফোঙদুনা এন্টি মার্ক্সিষ্ট থিওরিটিসিয়নশিংবু শিংনৈ অমসুং মখোয়বু মার্ক্সিজমগী লৌশিং ফংহন্নবা হোৎনবি। লাইরিক অদুগী অনৌবা হাপচিনবা (সপ্লিমেন্ট) ‘নোটিশ ওন ইম্পরিয়েলিজম’ অদুসু মার্ক্সকী ৱাখল পরিং অমদি ইকনোমিক থিওরি অদু কন্নবা হোৎনবনি। ইম্পরিয়েলিষ্টশিংনা লোই চন্দুনা শাসন তৌবা লৈবাকশিংদা মীয়াম্না পেন্নদবা হেল্লকই অমসুং খাংবা ঙম্নরক্তবদগী শাসন পায়রিবশিংগী মথক্তা লালহৌ (রেভল্যুসন) চঙশিন্নরকই। মহাক্কী লাইরিকশিংসু উথোপিয়ন সোসিয়েলিষ্ট খরনা ফোংনা শিংনবা তৌরকই। অদুবু মহাক্লা মতম চানা শেংদোক্তুনা মখোয়গী ৱাখল মীৎয়েং চুমথোকপী লোয়ননা সোসিয়েলিষ্ট রেভল্যুসন অমা মায় পাক্লবা মতুংদা লৈবাক অদু দেমোক্রেসিগী চৎন-পথাপ মখাদা লৈঙাকচগদবা অদু অহানবা খোঙথাং ওইনা দিক্টেটরসিপ ওফ প্রোলেটেরিয়েৎনা শাসন লমজিংগদবনি হায়বদু মহাক্কী লাইরিক ‘ষ্টেট এন্দ রেভল্যুসন’ হায়বদুদা শন্দোক্লা তাকই।

য়ুরোপকী নোংপোক লমগী পুৱারীনা রেভল্যুসন অমগী ইথিল পীরবসু মপূং ফাবা রেভল্যুসন অমগীদমক্তদি মমাঙগী রেভল্যুসন অমবু অচুম্বা লম্বীনি লৌদুনা খোঙ থাংজিন্নবা হোৎনবদি অরানবনি, মীতৌ তন্বা রেভল্যুসনদি মায় পাক্লবগী লম্বীদা অপনবা পী অমসুং শরুক য়ারিবা রেভল্যুস্নরিশিংবু খাইবুং তাহল্লি। বোলসেভিক মনুংদা লেফটিষ্ট হায়বা (মেনসেভিক) অমা থোরক্লিবসি মখোয়গী মীৎয়েং অমসুং ৱাখল্লোন শানদে (মপূং ফাদে)। ●